HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাও

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




Vol. 49, Issue No. 182 | ইরাই, মেরাগী ১১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Friday, October 03, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## গভর্ণর দেল্লীদা চৎখ্রে, ওক্টোবর ৬তা হল্লক্কনি লৈঙাক শেম্বগী নত্তে, চাওখৎ থৌরাংগীনি



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএনএস) :** গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা মহৌশাগুম্না ঙসি ইম্ফালগী গান্ধী মেমোরিএল হোলদা পাঙথোকপা মহাত্মা গান্ধীগী মপোক কুমওন থৌরম অমসুং সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা মমাঙ থাগী ১৭তগী হৌদুনা চথরকখিবা 'নেশন ফর্ষ্ট @৭৫ কেম্প্যেন' লোইশিনবগী থৌরমদা শরুক য়ারল্লবা মতুং ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তারকপদা ইন্দিগো ফ্লাইট অমদা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালদা মরু ওইবা থৌরম অনীদা শরুক য়ারল্লবা মতুংদা মহাক্না দেল্লীদা চৎখিবসি করি মরমগীনো, য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী মহাকপু লাক্লবা খঙহল্লকখিব্রা নৎত্রগা মহাক্না মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম য়াওনা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা লান অসিগী মতাংদা মরীক চুম্বা রিপোর্ট অমা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা লানখৎনবা চৎখিব্রা হায়দুনা পাউচে অসিনা খোঙ্গুল লীরুবদা ফংলকপা রিপোর্টশিংনা হায়, ঙসি গভর্ণরনা ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা পাঙথোকপা মরু ওইবা থৌরম অনী য়াওরল্লগা দেল্লীদা প্রপ-প্রপ চৎখিব্রসি মহাকপু য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কৌরকখিবা লৈতে। অদুবু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মহাক্না চ্যের লৌদুনা রাজ ভবনদা পাঙথোকখিবা গভর্ণর-ইন-কাউন্সিলগী মীফমদা পুথোক্নুনা খন্নখিবা মণিপুরগী চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা চঙগদবা শেল য়াওনা লোইশিনগদবা প্রোসিজরশিং লোইশিল্লুনবা চৎপনি হায়রি।

প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক ...মখা লমায় ৩ কলম ২

প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লবসু চীংদদি লো লৈতবদৌনা অদুমক তৌরি

## 'সূ' তৌনরিবা য়ু কে এল এফকী লিদর অমগী য়ূমদগী দ্রগ ফাবা চঙলুবা পুলিসশিংদা খুঞ্জাশিংনা এটেক তৌরকখ্রে

### চান্দেলগী এস পিগী য়াওনা পুলিসকী গাড়ী ৩ থুগাইরকখ্রে, অসাম রাইফলস লাকপদগী পর্সনেল অমত্তা শোকহৌদ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পুলিসকী স্পেশল কম্মান্দো পর্সনেলশিংনি হায়বা খরনা রেজিষ্ট্রেশন নম্বর য়াওদবা কার অনীদা তোংদুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী শগোলমাং পি এসনা কোল্লিবা খেৱা ফুরজগী মফম অমদা মীওই অমা ফানবা চঙশিল্লুবদা মফম অদুদা লৈরম্বা এম জি নরেগাগী কার্দ পায়দুনা থবক শুরম্বা খুঞ্জাশিংগী মরক্তা পাউ ফাওনহৌদবদগী কার অনীদু অকাই-অতোই থোকহনবগা লোয়ননা কম্মান্দো পর্সনেল খরদা ফাওবা ফূরকপগী থৌদোক থোকখিবদা চেন্নবা মীওই অনী ঙরাং পুলিসনা য়ূম্নাম পাৎলৌ অৱাং লৈকায়দগী ফাগৎলিঙৈগী চৈরক্তা মণিপুর অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন (সূ) গী খূৎয়েক পীনবদা য়াওরিবা য়ুনাইটেদ কুকি লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু কে এল এফ)কী লুচিংবা অমগী য়ূমদা পুলিসনা বি এস এফকা লোয়ননা ইল্লিগেল দ্রগশিং ফাবা চঙলুবদা খুল অদুগী খুঞ্জাশিংনা অথিংবা পীরক্তুনা কম্বাইন্দ ফোর্সতা এটেক তৌরকপদগী চান্দেল এস পিগী গাড়ী য়াওনা পুলিসকী গাড়ী ৩ ...মখা লমায় ৩ কলম ২


## চিন-কুকি-মিজো আর্মিগী কম্মান্দর ইন চীফ নোংমৈ অমসুং লুপা লাখ অমগা কোন্ননা ফারে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএনএস) :** পুলিস কন্ত্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা মশানা মশাবু চিন-কুকি-মিজো আর্মি (সী কে এম এ) গী কম্মান্দর ইন চীফনি হায়জবা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী পি মোংজাং খুলদগী মীওই অমা এ কে ৪৭ রাইফল অনী অমসুং শেল ওইনা লুপা লাখ ১গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ফারবা মীওই অসিগী মমিং পাওখোলেন গুইতে কৌই। মহাক ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সনা চূড়াচান্দপুর পি এসনা কোল্লিবা এস মুনুৱাম খুলগী মফম অমদগী ফাবনি। মঙোন্দগী মেগজিন অনীগা কোন্নবা এ কে ৪৭ রাইফল ২, মরূ ৩১, এস এল আর / এল এম জিগী মরূ ১৫০, বুল্লেট প্রূফ পৌচ অমা, মোবাইল ফোন অনী অমসুং কার (হুন্দাই ক্রেটা) রেজিষ্ট্রেশন নম্বর ২৪বি ঐচ ০৬৭৬৮গা কোন্ননা ফাবনি হায়রি।

মহাক মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কা সূগী অয়াবা থম্নরিবা কুকি-জো মিলিটেন্টশিংগীদমক ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা খূৎশু-খূৎলায়শিং পুথোক পুশিন তৌবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

## মীয়ামগীদমক কথোক্লবা এম এল এ রঞ্জিৎপু লান্না লমজিংবীগনু : দিভেলপমেন্ট কম্মিটি ককচীং খুনৌ



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএনএস) :** শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা ককচীং খুনৌ কৈথেল নৌনা শানবগী থৌরাং তৌরকপদা কৈথেল শাফমগী মতাংদা চয়েৎনবা থোকহনখিবদা মতমদুদা মরু ওইবা লুচিংবা অমা ওইখিবা চাথোলগী এদভাইজরনা মহাক মশা খঙনা খঙনা মরন্নাইগী ইন্টরেষ্ট খরগীদমক মণিপুর মীয়ামগী লুচিংবা অসিবু হুন্দুনা মীয়ামদা লান্না হায়জিনবা অমসুং লমজিংবগী থবক তৌবীগনু হায়না ককচীং খুনৌগী দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি টি ঐচ রিসিকেশনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ককচীং খুনৌদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না হায়, ইন্টিগ্রেটেদ দিভেলপমেন্ট স্মোল এন্দ মিদিয়ম টাউন স্কিম (আই দি এস এম টি এস) গী মখাদা ককচীং খুনৌ কৈথেল নৌনা শানবা থৌরাং তৌরকপদা কৈথেল শাফমগী চয়েৎনবা থোরকপদা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা খুল কায়বগী মহুত্তা কৈথেল শাদবনা হেন্না ফৈ হায়বগী ৱাখল্লোন্দা মতমদুদা দি পি আর থাদবদগী ফন্দ অদু লৈঙাক্তা হঞ্জিনখিবনি। কৈথেল শানবা শেল অদু কনামত্তনা শীজিন্নখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## বি জে পিনা চীং অমসুং খুঙ্গং চৎলু হায়দুনা লাউরগা চাওখৎহনগদবা মীখলদি পাঙথোক্লমদ্রে

### ফুরিৎখাওদগী হাপ্পা মীওইনা লৈবাক ঙাক্তুনা লৈরে, বি জে পিনা সুপ্রিম কোর্ট অমসুং হায় কোর্টকী দিরেক্সন ইনব্রা ইন্দব্রা খঙদ্রে : ওক্রম ইবোবী



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএনএস) :** বি জে পিনা চীংদা চৎলু অমসুং খুঙ্গংদা চৎলু হায়দুনা লাউরল্লগা চীং অমসুং খুঙ্গং চাওখৎহনগদবা লোকল বোদিশিংগী মীখলদি পাঙথোক্লমদ্রে হায়রদুনা ফুরিৎখাওদগী হাপ্পা মীনা লৈঙাক চলাইদুনা লৈরে অমসুং বি জে পিনা সুপ্রিম কোর্ট অমসুং হায় কোর্টনা পীবা দিরেক্সন ইনব্রা ইন্দব্রা হায়বসু খঙদ্রে হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লিদর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পার্টি অসিনা শীন্দুনা মহাত্মা গান্ধীগী ১৫৬শুবা মপোক কুমওন থৌরম অমসুং প্রাইম ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## এম পি বিমোলনা এয়রপোর্টকী সেনিটেশন ৱার্করশিংদা শেলগী মনাশিং য়েন্থোকখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরিবা বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টকী এদভাইজরি কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ঙসি মহাত্মা গান্ধীগী মপোক নুমিৎতা এয়রপোর্ট অসিদা কথোকপগা লোয়ননা মথৌ পাঙথোক্লিবা সেনিটেশন ৱার্করশিংদগী খনগৎলবশিংদা শেলগী মনা পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে।

এম পিনা শেলগী মনা পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবশিংদি লুপা লিশীং ৫গী অহানবা মনাদা ঐচ বিনাশখি, লুপা লিশীং ৩গী অনীশুবা মনাদা এল গম্ভিনি অমসুং লুপা লিশীং ২গী অহুমশুবা মনাদা আই রাজেননি। মকোক মথং তারবশিং অসি খক্তা নত্তনা ৱাই সনাহনবী, পি ইনাওচা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## রিমসতা অঙাং উন্নরবা মতুংদা লৈখিদ্রবী মঞ্জুগী হকচাং জেনিমসকী মীরেলশঙদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌখ্রে

### মীশি অসিগী মতাংদা জে এ সী অমসুং ইমুং-মনুংগা রিমস ওথোরিটিগা মখল অমত্তদা য়াশিন্নবা লৈতে : জে এ সী



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএনএস):** মমাঙ থাগী ১৬তা মশাগী অহানবা অঙাং উন্নবগীদমক রিমসতা এদমিট তৌরল্লবা মতুং মচানুপী অমা উন্নরগা ব্লিদিং তৌরক্লে হায়দুনা ওপরেশন চথবদা লৈখিদ্রবী লিলোং চজিং অৱাং লৈকায়দগী লৈখিদ্রবী নোংথোম্বম নিঙোল চীংশুবম ওংবী মঞ্জু (৩৬) মপুরোইবা সী ঐচ নিরনগী হকচাং ঙসি জেনিমসকী মীরেলশঙদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌখ্রে। মহাক্কী হকচাংবু ইন্সটিট্যুট অসিগী মীরেলশঙদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌবদা এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ভিদিও কভরেজ তৌখি।

ঙসি মহাক্কী হকচাংবু পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌখিবগী মতাংদা জে এ সীগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা হৌজিক ফাওবদা মহাক লৈখিদবা থৌদোক্কী মতাংদা শেমখিবা জে এ সী অমসুং মহাক্কী ইমুং-মনুংগা রিমস ওথোরিটিগী মায়কৈদা হীরম অমত্তদা য়াশিন্নবা লৈত্রি। অদুম ওইনমক মীতৈগী চৎনবীদা ইমুং অমগী মীওই ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ওইল পাম থাবনা ফোরেষ্ট মাঙহল্লি হায়রিবসি মীয়াম্না থাজবীগনু : এম এস খাইদেম



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা অহানবা ওইনা নেশনল মিশন ওন ইদ্দিবল ওইল - ওইল পাম (এন এম ঈ ও-ও পি) গী মখাদা মণিপুর লৈঙাক্না পায়খৎপা প্রোজেক্তকী মনুং চন্না ওইল পাম নর্সরি চারাশিং পুথোক্কদবা 'পটাঞ্জলি ফুদস লিমিটেদ ওইল পাম নর্সরি' কৌবা ফার্ম অমা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী নোংপোক সেকমাইগী সেকমাই খুন্বীদা হাংদোকখ্রে।

পটাঞ্জলি ফুদস লিমিটেদনা চলাইগদবা ওইল পাম নর্সরি শেম্ফম অসি হাংদোকপগা মরী লৈননা এন এম ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## মণিপুরগী য়ুনিভর্সিটি ৩বু য়ু জি সীনা 'দিফোল্টর' নি হায়দুনা লাউথোকপা মহৈকোল ৫৪গী মনুংদা য়াওরে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহী ২০২৪গী জুন ১০দা য়ু জি সী এক্ট, ১৯৫৬কী সেক্সন ১৩গী মখাদা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিশননা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈবা প্রাইভেট য়ুনিভর্সিটি ৫৪দা য়ু জি সী এক্ট অসিগী মতুংইন্না ইনফোর্মেশনশিং পীখৎলক্লবা নৎত্রগনা মখোয়গী ওফিশল ৱেবসাইটশিংদা 'পব্লিক সেল্ফ-দিসক্লোজরশিং' গী অকুপ্পা ৱারোলশিং অপলোদ তৌরক্লবা খঙহনখ্রবসু তৌরক্তবা লৈবাক অসিগী প্রাইভেট য়ুনিভর্সিটি ৫৪গী মনুংদা মণিপুরদগী অহুম য়াওরে হায়রি।

এজেন্সীগী পাউ মতুংইন্না য়ু জি সীনা ইন্সপেক্সননচিংবা চথনবগীদমক অকুপ্পা ইনফোর্মেশনশিং কম্মিশন অসিনা পীবা সোফ্ট কোপি ফোর্মেটতা পীখৎলক্লবা হায়রবা ফাওবদা পীখৎলত্তবশিংগী মনুংদা য়াওরিবা মণিপুরগী প্রাইভেট য়ুনিভর্সিটিশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তা লৈবা এসিয়ন ইন্টরনেশনল য়ুনিভর্সিটি, বির টিকেন্দ্রজিৎ য়ুনিভর্সিটি অমসুং মণিপুর ইন্টরনেশনল য়ুনিভর্সিটিনি হায়নসু এজেন্সীগী পাউ অসিনা মখা তারি।

## য়ু জি অহুম ফারে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোরকপা চেরোল অমদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী আর পি এফ/পি এল এগী কাদর অনী ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফারে হায়রি।

ফারবশিংদি কোন্থৌজম অৱাং লৈকায়দগী ককয়েনপাইবম লোকেন্দ্রো (৫৮) অমসুং তাইরেনপোকপী মমাঙ লৈকায়দগী ইন্দ্রজিৎ নিংথৌজম এলিয়জ অঙৌ (৫১) নি হায়রি।

লোকেন্দ্রোনা ময়ূমদগী ফাবনি অদুগা ইন্দ্রজিৎনা রিমস এরিয়াদগী ফাবনি হায়রি। মখোয়দগী মোবাইল ফোন অনী, লুপা ১০১০ য়াওরম্বা ৱাল্লেট অমা, আধার কার্দ অনী, টাটা এস গোল্ড কার- এ এস-০১/এন সী-১৪৭৬ রিকোভর তৌরে হায়রি।

অমরোমদা ঙরাং য়াইরিপোক খোইরোম মথক লৈকায়দগী ৱাইরোকপম সনাহল এলিয়জ নোংদম্বা (৪৬) কৌবা আর পি এফ/পি এল এগী কাদর অমসু ময়ূমদগী ফারে। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমা রিকোভর তৌরে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

## কার এক্সিদেন্টদা ১ শিরে ৩ শোক্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএনএস):** ঙসি নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী ফৌগাকচাও ইখাই পুলিস ষ্টেশননা কোনবা ক্বাক্তাগী চরাংপাৎ এরিয়াদা লৈবা কেনেল অমদা মীওই ৪ তোংদুনা লাকপা কার অমা তাশিনবদা মখোয় মরিগী মনুংদা মীওই অমা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে অদুগা অহুম্না লায়কন্নখ্রে হায়রি।

মখোয় মরি সাইতোনদা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অমা য়েংনবগীদমক লম্বী ফাওদুনা লাকপদা ক্বাক্তাগী চরাংপাৎতা ঈশিং চেল্লিবা কেনেল অমদা কার অদু তাশিনবনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা অমসুং শোক্লবশিংগী মমিং মথা খঙবা ঙমখিদ্রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## ইচা-ইশুশিং মী ওইনবা শেন্বা ঙম্নবা লৈঙাক্না ঐখোয়বু ঙাক শেন্নবা মতিক চাবা সিক্যুরিটি পীবিরগা ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিলহনবীরো

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী

হকথেংনবা পাউদম

কাংচুপ চীংখোঙদগী খুঞ্জা

**ইম্ফাল ওক্টোবর ০২ (ঐচএনএস) :** ইচা-ইশুশিং মতিক চাবা মী অমমম ওইহন্নবা শেম্নবগীদমক লৈঙাক্না ঐখোয়বু ঙাক শেনবীগদবা মতিক চাবা সিক্যুরিটি পীবিরগা ইশা-ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিলহনবীরো হায়না কাংচুপ চীংখোঙদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা ফয়েং হায় স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা হৌজিক ফাওবা লৈরল্লিবী মশাগী চহী ৩৩ শুরবী নিংথৌজম ওংবী ঘানদি, মপুরোইবা এন রোহেননা পাউচে অসিদা ফোঙদোরল্লি।

মহাক্না হায়, রিলিফ কেম্প অসিদা কুইনা শাংনা লৈশিল্লকপনা শেল অমত্তা থোক্ত্রে। শেল থোকফমসু লৈত্রে। মরম অসিনা ইচা-ইশুশিং নীংথিজনা শেন্বা ঙম্লরোইদ্রা হায়দুনা পাখৎলে।





ঐখোয়বু করিগুম্বা য়ূমদা হঞ্জিলহনগদবা ওইরবদি খরা থুনা হঞ্জিন্নবা লৈঙাক্না শিনবীরো। ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা মতিক চানা ঙাক

### লৈঙাক্না ঐখোয়গীদমক পাংবা য়াবা মতেং পাংবীয়ু নৎত্রবদি ঐখোয়গী পূন্সি অসি ইনৌ নৌনা হৌগৎপা ঙমদনা অদুমক পুখরগা লৈরগনি

শেনবীদুনা ঐখোয়গী অমাঙ-অতা থোকখ্রবা য়ূমশিং শেমজিন শাজিনবীরগা মী লৈবা য়ানবা থন্বীদুনা ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিলহনবীরো হায়রকখি।

মে ৩, ২০২৩দগী হৌরল্লগা হৌজিক চহী অনী মখায় শুজিল্লরুবা ফাওবদা লান অসিগী ৱারোইশিন মণিপুর অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না পুরক্তবদগী হৌজিক ফাওবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরল্লিবা নুপী অঙাং, মহৈরোয় য়াওনা মীওই কয়াগা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## শ্রীশ্রীগোবিন্দজি টেম্পল বোর্দকী পন্দিট লোয়শঙ অমসুং চৈরাপ লোয়শঙনা ক্বাক তানবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএনএস):** নিংথৌ পাল্লিঙৈদগী হৌনা চহী খুদিংগী মেরাগী ১০নি পানবা নুমিৎতা পাঙথোরকপগুম ঙসিসু মেরা ক্বাক তানবগী থৌরম শ্রীশ্রীগোবিন্দজি টেম্পল বোর্দকী পন্দিট অমসুং চৈরাপ লোয়শঙনা শিন্দুনা হাপ্তা কাংজেবুংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী মনুং চন্না অয়ূক্তগী হৌরদুনা গোবিন্দজিগী লাইশঙদা লাইগী ওইবা থৌরমশিং পাঙথোকখি অদুগা অয়ূক্কী মতমদা ক্বাকশঙ যাত্রা হুনবগা লোয়ননা বর সেনাপতিনা বিষ্ণু খুরুম্লবা মতুংদা রামজি প্রভু খুরুমখি। নুংথিলদনা য়ূমজাও লাইরেম্বী অমদি বিষ্ণুবু হাপ্তা কাংজেবুংদা লেংথোরকখি।

খোঙচৎ অসিদা টেম্পল বোর্দকী ফম্নাইবশিংসু য়াওখি অদুগা বর মন্ত্রি, বর সেনাপতি অমদি ফম্নাইবশিংনা ক্বাক তানফমদা মাইবনা অনম-অথৌ কোকথোক্লবা মতুংদা লৈ লাংদুনা পন্দিট অচৌবনা য়াথং পীবদগী থৌরম হৌখি।

বর সেনাপতিদগী ক্বাক তানবা অমসুং রাবন কাপ্পগী চৎনবী য়াথং লৌরবা মতুংদা চৈরাপ লোয়শঙনা লমজিংদুনা য়াইস্কুল, ৱাঙ্খৈরাকপা, ...মখা লমায় ৩ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫